মিসাইল চাংয়েংনা মরম ওইদুনা বাইদেনগী ফোরেন এজেন্দাদা নোর্থ কোরিয়ানা মকোক্তা লৈরে

সিওল/ৱাশিংটন, মার্চ ২৬ (এজেন্সী): নোর্থ কোরিয়ানা অনৌবা টেক্টিকেল শোর্ট-রেঞ্জ বালিষ্টিক মিসাইল মখল অমা লোঞ্চ তৌরে হায়না ইরাই নুমিত্তা ক্লেম তৌখিবগা লোয়ননা মসিনা য়ু এসকী অনৌবা প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী ফোরেন পোলিসি এজেন্দাদা মকোক্তা লৈহনখ্রে।

য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েংদা অনৌবা মিসাইল চাংয়েং অদুনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় লৈরবা নোর্থ কোরিয়া অসি মিলিটরিগী লমদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙল্লে হায়না লৌরি।

বাইদেননা হৌখিবা জন্যুৱারীদা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবা হ্বাইট হাউসকী প্রেস কনফরেন্সকী মাঙওইননা পাঙথোকখিবা শগোলশেন নুমিৎকী মিসাইল লোঞ্চশিং অদুবু য়ু এসনা কন্দেম তৌখি। নোর্থ কোরিয়ানা মহাক্কী ফোরেন পোলিসি এজেন্দাগী মকোক্তা লৈহনবগী ৱাফম অসি য়াব্রা হায়না হংবদা বাইদেননা অচুম্বনি হায়না খুমখি।

বাইদেননা মমাঙদা হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা অহানবা ওইনা পীখিবা মহাক্কী ফোরেন পোলিসি স্পীচতা নোর্থ কোরিয়াগী ৱাফম পনখিদে। মার্চ অঙনবদা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিপ্লোমেটিক প্রাইওরিটি নিপাল পনখিবদা মহাক্কী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা নোর্থ কোরিয়াদা মরু ওইবা মীৎয়েং থমখিদে। শুপ্নগী শীংনবা অমা ওইগদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা পনখি।

চহী অমরোমগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়াগী অহানবা বালিষ্টিক মিসাইল ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা টেক্টিকেল শোর্ট রেঞ্জ বালিষ্টিক মিসাইল লোঞ্চশিং অদুনা লৈবাক অসি হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মখাদা য়ু এসকা ন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী শানবা লেপখিবদগী খূৎলায় প্রোগ্রামদা খুমাঙ চাওশিল্লে হায়বসি উৎলি।

মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোক্লুনসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগা মখা তানা দিপ্লোমেটিক চেন্নেলশিংদা ৱাখল তামিন্নবা শেম-শাদুনা লৈ হায়না প্রসিদেন্ট বাইদেননা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, প্যোংয়াংগী মায়কৈদগী কা হেল্লক্লবদি মদুগী পাউখুমদা লৌখৎফম থোকপশিং লৌখৎকনি হায়নসু মহাক্লা ৱার্নিং তৌখি।

সাওথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইননা মিসাইল টেষ্ট অদু নুংনাংনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্যোংয়াং অমসুং ৱাশিংটননা ৱারী শানবদা খুরৌ থাংহল্লোইদবনি হায়খি।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা মিসাইল লোঞ্চরশিং অদুনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী রিজোল্যুসন কয়া খোঙ্গাওনৈ অমদি লমদম অদুগী মীয়াম অমদি ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা অকিবা পোকহল্লি হায়খি। অনৌবা খূৎলায় অদু টন ২.৫গী ৱারহেদ পুবা ঙম্নবা ইমপ্রুভ তৌরবা হৌজিক্কী টেক্নোলোজিদা য়ূম্ফম ওই।

খূৎলায় সিষ্টেম অসিবু শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি লৈবাক অসিগী মিলিটরি পাৱর হেনগৎহনবা অমসুং লৈবাক অসিদা অকিবা পীনবা হোৎনরিবশিংবু নিংহন্নবদা য়াম্না মরু ওই হায়না টেষ্ট অদুবু য়েংশিনখিবা রি প্যোং চোলনা ফোঙদোকখি। ষ্টেট মিদিয়ানা থাদোকপা ফোটোশিংদা অঙৌবা অমসুং অমুবা মচু শংবা মিসাইল অমা মিলিটরি লোঞ্চ ভেহিকল অমদগী কাপখৎপা উখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হায়জবদগী মিসাইল টেষ্টশিং অদুগী মতাংদা খন্নবগীদমক্তা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাওন্সিল নোর্থ কোরিয়া কম্মিটিনা ইরাই নুমিত্তা মীফম পাঙথোক্লগনি।

ষ্টেট অনীগী সোল্যুসনগী মতাংদা পালেষ্টাইননা য়ু এসতগী পোজিটিভ সিগনেল ফংলে

রামালা, মার্চ ২৬ (এজেন্সী): পালেষ্টিনিয়ন-ইজরেলি কনফ্লিক্ট লৈখায় তানবগী ষ্টেট অনীগী সোল্যুসনগী মতাংদা পালেষ্টাইননা পোজিটিভ সিগনেলশিং ফংলে হায়না রামালাদা টোপ দিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্টর রিয়াদ অল-মালিকিনা শগোলশেন নুমিত্তা রামালাদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, য়ু এনদা লৈবা পালেষ্টিনিয়ন পর্মিনেন্ট ওবজর্ভর মিসনন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ন্যু য়োর্কতা য়ু এসকী পর্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ লিন্দা থোমাস-গ্রীনফিল্ডকা অহানবা ওফিসল মীফম পাঙথোকখি।

অল-মালিকিনা মখা তানা হায়, প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসননা পালেষ্টিনিয়ন প্রোব্লেম লৈখায় তানবা ষ্টেট অনী শেম্বগী সোল্যুসন শৌগৎলি হায়বসি য়ু এসকী রিপ্রজেন্টেটিভনা পালেষ্টাইন মিসনগী মীওইশিংদা খঙহনখি। গ্রীনফিল্ডনা মিসনগীদমক মেম্বরশিংদা খঙহনখি। গ্রীনফিল্ডনা মিসনগীদমক মেম্বরশিংদা ৱাশিংটননা নাকল নাম্মগী ৱারেপ খূদিংমক য়াদে অমসুং অমসুং মখোয়গী ফিরেপ্পি য়ু এসকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসনদা পালেষ্টিনিয়নশিংগা ঈ-পাউ হেন্না ফাওনবসিনি হায়খি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা জেরুসালেমবু কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বরদা ইজরেলগী কেপিটেলনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা পালেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিনা ইজরেলগা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনখিবনি। অল-মালিকিনা য়ু এসতা য়ু এন রিলীফ এন্দ ৱার্ক্স এজেন্সি ফোর পালেষ্টাইন রেফ্যুজীস ইন দ নিয়র ইষ্ট (য়ু এন আর দব্লিয়ু এ)তা শেলগী দোনেসন পীবা হৌনবসু তকশিনখি।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, মহাক্লা আপীল অসি রামালাদা য়ু এন আর দব্লিয়ু এনা কম্মিস্নর জেনরেল ফিলিপ লাজারিনিগা উনদুনা ৱারী শানবা মতমদা তৌখিবনি।

য়ু এন আর দব্লিয়ু এগী ওফিসলশিংনা মমাঙদা য়ু এন এজেন্সি অসি ইন্টরনেসনল দোনেসন ফংদবনা মরম ওইদুনা খ্বাইদগী লুবা শেল-থুমগী ক্রাইসিস অমা মায়োক্লরি হায়না য়ু এন আর দব্লিয়ু এগী ওফিসলশিংনা মমাঙদা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৮দা য়ু এসনা এজেন্সি অসিদা পীগদবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩৬০ গী শেনফম কক্লবা ৱারেপ লৌখিবদগী য়ু এন এজেন্সি অসি শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লরকখি।

য়ু এন আর দব্লিয়ু এনা জোর্দান, লেবানন, সিরিয়া, ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং গাজা ষ্ট্রিপ য়াওনা ফীল্ড ওফ ওপরেসন মঙাদা লৈরিবা পালেষ্টিনিয়ন রেফ্যুজি মিল্লিয়ন ৫.৬রোমদা লাইফ-সেভিং সর্ভিসশিং ফংহন্দুনা লাকখি।

থাইলেন্দদা থুংলবা টুরিষ্টশিং ক্বারন্টিন তৌহল্লরোই

বেঙ্কোক, মার্চ ২৬ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরসকী ভেক্সিন কাপ্লবা ফোরেনরশিং ক্বারন্টিন তৌহন্দনা আইলেন্দগী খ্বাইদগী চাওবা হোলিদে ঈথৎতা চৎপা য়াহন্নবা থাই ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে। লৈবাক অসিনা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন মঙাসু ইনৌ নৌনা ওর্দর তৌখ্রে।

চহী অসিদা থাইলেন্দদা থুংলবশিংগী মশিং লেপ্পুনা হেনগৎলকপা লোয়ননা শেল-থুমগী মতাংদা টুরিজমগী মপান তাংলিবা থাইলেন্দদা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক ভেক্সিন মরাং কায়না লৌশিন্নবা অমসুং ভেক্সিন পাসপোর্টকী পাইলোট প্রোজেক্ট অমদা লৈবাক অসিদা ফোরেনরশিং মহৌশাগুম্না অমুক চঙহন্নবা থৌরাং তৌরি।

ঐখোয়না অপূনবা মীশিংগী চাদা ৫০দগী চাদা ৬০ ফাওবা ভেক্সিন কাপথোকপা ঙম্লবদি লৈবাক অসিদা মপানগী মীওইশিং মপূং ফানা চঙহনবগা লোয়ননা টুরিজমগা মরী লৈনবা থবকশিং অমসুং শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগী ফিভমদা অদুক লাকহনবা য়াগনি হায়না হেল্থকী সিনিয়র ওফিসল কিয়াভিফুম ৱোঙ্গ্রাইজিটনা ফোঙদোকখি।

লৈঙাক অসিগী মপূং ওইবা ভেক্সিনেসন ড্রাইভ লাক্লিবা জুনদগী হৌরবা য়াই হায়না পারি। ভেক্সিনেসন ড্রাইভ অদুগী পান্দমদি চহী অসি লোইবা ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমরোম ভেক্সিন কাপথোকপা অসিনি।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, থাইলেন্দদা অষ্ট্রাজেনেকাগী অহেনবা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন মঙা অমসুং সাইনোভেক বাইওটেক্কী অহেনবা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন মঙা থারক্লগনি। মদুনা লৈবাক অসিগী অপূনবা ভেক্সিন ওর্দর দোজ মিল্লিয়ন ৭৩ য়ৌহল্লগনি।

থাইলেন্দগী কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোর্সনা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা টুরিষ্ট পস্থুংফম ওইরিবা ফুকেটতা জুলাইদগী ভেক্সিন কাপ্লবা ভিজিটরশিং ক্বারন্টিন তৌহন্দনা চঙহন্নবগী অৱাবা পীখি। মদু ঈথৎ অসিগী মীশিং চাদা ৭০ ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদনি। ভেক্সিন মপূং ফানা কাপ্লবা ভিজিটরশিংগীদমক্তদি ফুকেট, পাটায়া, কো সামুই, চিয়াং মাই অমসুং ক্রাবিদা চৎপদা হোটেল ক্বারন্টিনগী মতম তঙ্খায় অমা তেনশিল্লগনি।

হৌথিশিংনা সাওদি অরাবিয়াদা পরিং নাইনা এটেক চথখ্রে

সানা, মার্চ ২৬ (এজেন্সী): সাওদি অরাবিয়াগী মায়োক্তা পরিং নাইনা এটেক চথখ্রে হায়না য়েমেনগী হৌথি মিলিস্যানা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

দি পি এ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, হন্দক চয়োল খরা অসিদা থাও মরাং কায়না ফংদুনা ইনাক খুল্লবা কিংদম অসিদা হৌথিশিংনা দ্রোন অমসুং মিসাইল শীজিন্নদুনা পরিং নাইনা এটেক তৌখি।

হৌথি মুভমেন্টকী মিলিটরি স্পোক্সপর্সন য়াহয়া সেরানা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, গ্রুপ অসিনা সাওদি অরামকোগী ফেসিলিটিশিংদা টার্গেট তৌদুনা ওফেন্সিভ দ্রোন ১২ অমসুং বলিষ্টিক মিসাইল নিপাল কাপশিনখি।

সাওদি বোর্দর রিজনশিং নাজরন অমসুং অসিরদা লৈবা মিলিটরি সাইটশিংগী মায়োক্তা চথবা অচৌবা ওপরেসন অমগী শরুক ওইনা দ্রোন তরুক লোঞ্চ তৌখি। অকূপ্পশিং পন্দবীদা মহাক্লা ওপরেসন অদুনা গ্রুপ অসিগী পান্দমশিং মায় পাক্লা ফংহনখি হায়খি। এটেকশিং অদুগা লোয়ননা সাওদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না য়েমেনদা লান্দাবা চহী তরেৎ চঙশিল্লক্লে।

অমরোমদা হৌথিশিংগা লান্থেংনরিবা সাওদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন অমনা শগোলশেন নুমিত্তা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা কিংদম অদুগী টার্গেটশিং তম্না রেবেলশিংনা থাজিল্লকখিবা এক্সপ্লোসিভ য়াওবা দ্রোন নিপাল মখোয়না লমখাংদা কাপথখ্রে হায়খি।

হৌথিশিংগী দ্রোন এটেকশিং অদুগী টার্গেটশিংগী মনুংদা য়ুনিভর্সিটি অনী য়াওখি। কোলিসনগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, ইরানগা মীচঙ ওইনবা হৌথিশিংনা য়েমেনগী বোর্দরগা নক্লবা সাওদি সিটিশিং ওইরিবা নাজরন অমসুং জাজন অনীমক্তদা লৈবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা টার্গেট তৌনবা হোৎনখি। এক্সপ্লোসিভ য়াওবা দ্রোন তরুক অমসু হৌথিশিংনা কিংদম অসিদা লোঞ্চ তৌরকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, শগোলশেন নুমিত্তা বোর্দর রিজন জজানদা লৈবা ওইল দিষ্ট্রিব্যুসন ষ্টেসন অমদা প্রোজেক্টাইল অমা কাপশিল্লকপদগী মফম অদুদা মৈ চাকহনখি। মদুদা মীশি-মীনা অমগী অমাঙ-অতাদি য়াওখিদে।

সাওদি ইনর্জি মিনিষ্ট্রিগী ছোর্স অমনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মদু মালেমগী ইনর্জি সপ্লায়দা অকায়বা থোকহন্নবা মওংদা চথরকপনি হায়খি। য়েমেনগী লান অদু লোইশিনবা য়ানবগী পান্দমদা সাওদি অরাবিয়ানা সিজফায়র প্রপোজেল অমা লাউথোকখিবা মতুংদা ইনৌ নৌবা এটেকশিং অদু চথরকখিবনি। কুমজা ২০১২গী অথেংবা শরুক্তগী য়েমেনদা শাথিরবা পাৱর ষ্ট্রগল অমা চথদুনা লাক্লি।

টুরিষ্টশিংদা থন্নম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে

কথমন্দু, মার্চ ২৬ (এজেন্সী): নেপালদা প্লেন তোংদুনা চঙলকপা মপানগী মীওইশিং কোভিদ-১৯ টেষ্টকী নেগেটিভ রিজল্ট য়াওরবদি ক্বারন্টিন তৌহল্লরোই হায়না ওফিসলশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙদা নেপালদা থুংলবা ভিজিটরশিং মখোয়গী হোটেলদা চয়োল অমা ক্বারন্টিন তৌবগা লোয়ননা মঙানি চনবা নুমিত্তা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদবনি। মখোয় হৌজিক্তি মফম অসিদা হেক থুংবগা টেষ্ট তৌবা য়ারগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, টুরিজম এন্দ সিভিল এভিএসন (এম ও সী টি সী এ)গী স্পোক্সপর্সন প্রেম সুকেদিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না, টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরম্বা মীওইশিং মখোয়গী খোঙচৎ অদু মখা চথবদা অপনবা লৈরোই। তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা মখোয় পোজিটিভ ওইবা তারবদি ফৎত্রিফাওবা মখোয়গী হোটেলদা লৈগদবনি।

নেপালদা পাইদ্রিঙৈগী মমাঙদা হৌজিকসু ভিজিটরশিংনা প্লেন তোংদ্রিঙৈগী মমাঙ পূং ৭২গী মনুংদা পাঙথোকপা কোরোনাভাইরস টেষ্টতা নেগেটিভ ওই হায়বসি উৎকদবনি নৎত্রগা মখোয় কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা য়াবগী প্রুফ উৎকদবনি।

প্রোটেষ্টরশিংগী রেল্লি লেপত্রি ৱর্ল্ড বেঙ্কনা ৱার্নিং তৌখ্রে

নেপিটো, মার্চ ২৬ (এজেন্সী): মিলিটরিনা নোংমৈনা কাপ্পুনা মীওই মাপল হাৎখ্রবা মতুং মথংগী নুমিৎ ইরাইদসু ম্যান্মারদা এন্টি-জুন্টা প্রোটেষ্টরশিংনা মখা তানা রেল্লিশিং পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, মমাঙ থাদা চথখিবা কু অদুনা থোকহল্লক্লিবা কয়ানা মরম ওইদুনা চহী অসিদা লৈবাক অদুগী ইকনোমি চাদা ১০ হন্থবা য়াই হায়না ৱর্ল্ড বেঙ্কনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ফেব্রুৱারী ১গী কু অদুগা মরী লৈননা জুন্টাদা অহেনবা প্রেসর পীনবা হোৎনরদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং বৃটেননা মিলিটরিনা কন্ট্রোল তৌবা ম্যান্মারগী কোঙ্গলোম্মরেটশিংদা শেল-থুমগী অথিংবশিং থমখ্রে। ৱাশিংটননা মদু মীয়াম্বু তমথিবা মওংদা নমথবগীনি হায়খি।

মন্দলে অমসুং সগাইং রিজনশিং লোয়ননা কারেন অমসুং চিন ষ্টেটশিং য়াওনা লৈবাক শীন-থুংনা নুমিদাংগী মতমদা প্রোটেষ্টরশিংনা কেন্দল থান্দুনা মখোয়গী খোঙজং চঙশিনখি।

ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোরকপদা, য়াঙ্গোন সিটিগী দাউনটাওন এরিয়াদা ধোন থিনবা মীওই ১০০ রোম্না প্রোটেষ্ট তৌখি। মমৈথংদা মখোয়বু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তানখায়খি।

লান অসি ঐখোয়না মায় পাক্লিফাওবা লেপখিরোই হায়না ফোং নাইং কৌবা প্রোটেষ্টর অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারগী অনীশুবা সিটি মন্দলেদা প্রোটেষ্টরশিংনা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা ‘সিভিল দিসওবিদিএন্স মুভমেন্ট’ বেন্নরগী মমাঙদা খোঙচৎ অমা চৎখি। ওর্গনাইজেসনশিংনা থাংজ নুমিত্তা পাক-শন্না প্রোটেষ্ট চথনবা আপীল তৌখি অমসুং কুমজা ১৯৪৫দা জপাননা ম্যান্মার খুদুম চল্লকপগী মায়োক্তা মিলিটরিনা চথখিবা রেজিষ্টেন্সকী ঈহৌ হৌখিবা নীংশিংদুনা অমদি ফোর্সেদ দে ওবজর্ভ তৌখি।

আর্মিনা নোবেল লোরিয়েট ওং সান সু চিগী ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্ট চিংথুবগা লোয়ননা জুন্টানা লৈহনখিবদগী ম্যান্মারদা নুমিৎ খূদিংগী লেপ্পুনা প্রোটেষ্ট চথরকখি। মিলিটরিনা সু চি অমসুং মহাক্কী পার্টি নেসনল লীগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি)গী অতৈ মেম্বরশিং ফাজিন্দুনা থল্লকখি। এক্টিভিষ্ট গ্রুপ এসিষ্টেন্স এসোসিএসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজনর্সনা কম্পাইল তৌবা ফিগসকী মতুং ইন্না, প্রোটেষ্টশিং লাকশিন্নবা মিলিটরিনা কা হেনবা ফোর্স শীজিন্নবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২০ শিখ্রে।

সিঞ্জিয়াংগা মরী লৈননা চাইনানা য়ু কেগী এন্টিটিশিং অথিংবা থমখ্রে

বৈজিং, মার্চ ২৬ (এজেন্সী): সিঞ্জিয়াংগী মতাংদা ওইদবা কয়া ঙাংবা অমসুং অরানবা পাউ শন্দোকপগীদমক্তা চাইনানা ইরাই নুমিত্তা বৃটিশ ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং ইন্দিভিজ্যুএলশিং অথিংবা থমখ্রে।

নোংচুপ থংবা চাইনীজ রিজন অদুদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চথবগী মরালদা বৃটেননা চাইনীজ ইন্দিভিজ্যুএলশিং অমসুং এন্টিটিশিংদা শেল-থুমগী অথিংবশিং লাউথোকখ্রবা মতুং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা চাইনানা অথিংবশিং অদু থমখিবনি। বৃটেননা চাইনীজ গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অসিবু ক্রিটিসিজম লৈহন্দনবা হোৎনবগী মতৌনি হায়দুনা কন্দেম তৌখি। বৈজিংগী খোঙথাং অদুনা শোকহল্লবশিংগীদমক্তা লেপ্পি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জন্সননা ফোঙদোকখি।

চাইনীজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, অতৈদা শোকহনগদবা মওংদা ওইদবা ঙাঙদুনা মীয়াম্বু লান্না উহনবা অমসুং অরানবা পাউ শন্দোকপগীদমক্তা হান্নগী কঞ্জর্ভেটিভ পার্টি লীদর ইয়ান দনকান স্মিথকুম্না লোমেকরশিং য়াওনা ইন্দিভিজ্যুএল মাপল অমসুং কঞ্জর্ভেটিভ পার্টি হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগুম্না এন্টিটি মরি অথিংবা থল্লে।

ইন্দিভিজ্যুএলশিং অসিগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিং চাইনীজ টেরিটরিদা চঙলকপদা অথিংবা লৈরগনি। চাইনীজ সিটিজনশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিং মখোয়গা বিজনেস তৌনবদা অথিংবা লৈগনি হায়রি।

ভেক্সিন কাপ্পু য়াদবা হেল্থ ৱর্করশিং মিনিষ্টরনা ৱার্নিং তৌখ্রে

COVID VACCINE
'VACCINE AT OWN RISK'

ইস্লামবাদ, মার্চ ২৬ (এজেন্সী): পাকিস্তানগী মিনিষ্টর অমনা হেল্থ ৱর্করশিংদা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা ভেক্সিন কাপথোক্ত্রবদি মখোয়গী থবক তৎপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

পাকিস্তাননা কোরোনাভাইরসকী অহুমশুবা ৱেভ অমা মায়োক্নরিঙৈদা মিনিষ্টরনা হেল্থ ৱর্করশিংদা ৱার্নিং অদু তৌখিবনি।

শগোলশেন নুমিত্তা সিন্দ প্রোভিন্সকী হেল্থ মিনিষ্টর অজরা পেচুহোনা ভিদিও কনফরেন্স অমদা করিগুম্বা ভেক্সিন কাপত্রবদি নখোয় থবক তৎপা য়াই হায়খি।

মিনিষ্টর অসিগীৱারোল পল্লদুনা দি পি এ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, প্রোভিন্স অদুগী রেজিষ্টর তৌবা হেল্থ ৱর্কর ১৪২,৩১৫গী মনুংদা য়ামদ্রবদা হেল্থ ৱর্কর ৩৩.৩৫৬দি ভেক্সিন অসি কাপত্রি। পাকিস্তাননা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামদা চাইনাগী গেইনোফার্ম ভেক্সিন শীজিন্নরি।

চহী অসি হৌরকপদা পাঙথোকখিবা সর্ভে অমদা লৈবাক অসিগী সিটিজন অপূম্বগী তঙ্খায় অমরোমদি ভেক্সিনদা চিংনবা লৈ অমসুং ভেক্সিন কাপ্পিংদে হায়বসি খঙখি।

অহৌবা নুমিৎশিংদা চহী ৬০গী মথক ওইবা মীওইশিং ভেক্সিন কাপহন্দনবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অমা লৌবদগী চিংনবা পোক্লক্তুনা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংনা ভেক্সিন কাপ্পিংদবনি হায়না পাকিস্তান মেদিকেল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল কাইজর সজাপনা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি গভর্ণমেন্টনা ভেক্সিন অদু খুদোংথীনিংঙাই ওইদে হায়না খন্নরকপদগী সিটিজন অমসুং হেল্থ ক্যের ৱর্কর খূদিংমক্তা ভেক্সিন কাপথোক্লবা হায়রি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

পাকিস্তানগী প্রোভিন্সশিংগী মনুংদা সিন্দনা কোভিদ-১৯ প্রোদমক্কী চৈথেং খ্বাইদগী চাওনা নংখি। হৌজিক ফাওবদা প্রোভিন্স অসিগী কোরোনাভাইরস কেস মশিং ২৬৪,০০০দগী হেল্লে। ইরাইনুমিত্তা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা অনৌবা ইনফেক্সন ৪,৩৬৮ অমসুং কোভিদ মীশি ৬৩ রিপোর্ট তৌখি। পাকিস্তানদা হৌজিক ফাওবদা দিটেক্ট তৌবা কোভিদ-১৯ কেস পূন্না ৬৪৫,৩৫৬ শুরে অদুগা লায়না অসিনা শিহনবা মী মশিংনা পূন্না ১৪,০৯১ শুরে।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref. Mutation Case No. 317/SDC/IW-L/2021

Khamnam Momon Singh, S/o. (L) Bheigya Singh of Sagolband Naoremthong Khumanthem Leikai

- Petitioner

-Vrs-

Late Khamnam Birjit Singh, S/o. (L) Bheigya Singh of Naoremthong Khullem Leikai

-Op./Party

[illegible] / **NOTICE**

26/03/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার খম্নাম বীরজিত সিংহ পীতা মৃত ভৈগ্যা সিংহ সাং নাওরেমথোং খুল্লেম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৬৪-হাওরং শাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ১৪১ দাগ নং ১৩৬/৩৩৪ এরিয়া ০.৭৪০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/9406/27

***Sd/-* Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref. Mutation Case No. 318/SDC/IW-L/2021

Khamnam Momon Singh, S/o. (L) Bheigya Singh of Sagolband Naoremthong Khumanthem Leikai

- Petitioner

-Vrs-

Late Khamnam Bheigya Singh, S/o. (L) Nilla Singh of Uripok Naoremthong Takyen Khongban Khumanthem Leikai

-Op./Party

[illegible] / **NOTICE**

26/03/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার খম্নাম ভৈগ্যা সিংহ পীতা মৃত নিল্লা সিংহ সাং উরিপোক নাওরেমথোং তায়েন খোংবান খুমন্থেম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৬৩- হৈবোংপোকপীগী অনৌবা পাট্টা নং ১৩১ দাগ নং ১৮০ এরিয়া ০.৬৪০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/9406/27

***Sd/-* Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

ইরিত্রিয়ন ট্রুপশিং টিগ্রেদগী ৱিথদ্রো তৌরগনি

অদিস অবাবা, মার্চ ২৬ (এজেন্সী): কনফ্লিক্ট লৈবা ইথিওপিয়াগী টিগ্রে রিজনদা লৈরিবা ইরিত্রিয়ন ট্রুপশিং লৌথোকপগী ৱাফম য়ানরে হায়না ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুদা য়ূমথংনরিবা ইরিত্রিয়াগী ট্রুপশিং লৈ হায়বসি অহানবা ওইনা কনফর্ম তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অহমদনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, মহাক্লা ৱাফম অদু ইরিত্রিয়াগী প্রসিদেন্ট ইসাইয়াস অফৱের্জিগা লৈবাক অসিগী কেপিটেল অসমারাগী খোঙচৎ অমদা খন্নখি।

ইরিত্রিয়ানা ফোর্স ৱিথদ্রো তৌবগী ৱাফম য়াখিবগা লোয়ননা ইথিওপিয়াগী মিলিটরিনা বোর্দর ঙাকপগী থবক খূদক্তা হৌরগনি হায়না অবিনা ফোঙদোকখি।

লমদম অদুবু লৈঙাক্লিবা অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট শীংনরিবা টিগ্রে পীপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ)কী পাৱর ময়েং তাহন্নবগীদমক্তা ইথিওপিয়ানা কুমজা ২০২০দা মিলিটরি ওফেন্সিভ অমা লোঞ্চ তৌখি।

ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্টনা কনফ্লিক্ট অদু লোইরে হায়না কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর অঙনবদা লাউথোকখ্রবসু য়ু এন অমসুং য়ু এসনদি পার্টিশিংগী মরক্তা মখা তানা খূৎ থোক্লবগী পাউ ফংই হায়রি।

ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্টকী রেকোর্দ মতুং ইন্না, কনফ্লিক্ট অদুনা মীওই মিল্লিয়ন ২.২ রোম ময়ূম-মকৈ লৈহনখিদ্রে অমসুং মীওই মিল্লিয়ন ৪.৫না ইমর্জেন্সিগী মতেং পীবা মথৌ তারি। ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্টনা হন্দক্তা টিগ্রেদা অৱা-অনা য়েংশিনবশিং চঙবা য়াহনবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা ওপরেট তৌরিবা এন্টিটি খূদিংমক্লা লৈবাক অদুগী লোশিং ঙাক্কদবনি হায়না খঙহনখি।

ইটালি, ফ্রান্স অমসুং জর্মনিগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা লিবিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অব্দুল হমিদ বৈবাহগা উনখ্রে

ত্রিপোলি, মার্চ ২৬ (এজেন্সী): ইটালিগী ফোরেন মিনিষ্টর লুইগি দি মাইও, ফ্রান্সকী ফোরেন মিনিষ্টর জীন-ইভিস লে দ্রিয়ন অমসুং জর্মনিগী ফোরেন মিনিষ্টর হৈকো মাসনা শগোলশেন নুমিত্তা লিবিয়াগী কেপিটেল ত্রিপোলিদা চৎতুনা লৈবাক অসিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অব্দুল হমিদ বৈবাহগা উনখ্রে।

লিবিয়ন গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনল য়ুনিটিগী ইনফোর্মেসন ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, মীফম অদুদা লিবিয়াদা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিং অমসুং ফ্লাইটশিং হল্লকপা, ত্রিপোলিদা য়ুরোপিয়ন দিপ্লোমেটশিংগী মশিং হেনগৎহনবা অমসুং লোনা য়াদবা ইম্মিগ্রেসনগী মতাংদা য়েংশিনবগী ৱাফম খন্নখি। চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লিবিয়াগী মীখলগী শেম-শাবা অমসুং কম্মন ইন্টরেষ্ট ওইবা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা ওফিসলশিংনা মখোয় মখোয়গী মতশিং ফোঙদোক্লখি। দেলিগেসন অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা মখোয়গী লৈবাকশিংনা লিবিয়াবু হেন্না তংদু-লৈতানা লৈহনবা পাম্মী হায়না খঙহনবগা লোয়ননা য়ূমথংনবা লৈবাকশিং অমসুং মেদিটরিনিয়নগী অকোয়বদা মরা তপ্পা অমসুং তং তাবা ফিভম লাকহনবদু মপু চঙই হায়খি।

লিবিয়াবু শৌগৎপীবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা জর্মনি, ফ্রান্স, ইটালি অমসুং য়ুরোপিয়ন পার্টনর খূদিংমকপু থাগৎখি।

হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস (পার্লিয়ামেন্ট)না হন্দক্তা গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনল য়ুনিটি এপ্রুভ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা লিবিয়া অসি চহী কয়া ইষ্টর্ন অমসুং নোংচুপ থংবা গভর্ণমেন্টশিংগী মরক্তা খায়দোক্তুনা লাকখি। অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিগী মরু ওইবা থবক্তি য়ু এননা স্পোন্সর তৌবা লিবিয়া পোলিটিকেল দাইলোগ ফোরমনা লেপখিবা মতুং ইন্না দিসেম্বর ২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগীদমক শেম-শাবনি।